# চহী চা অসিদা লৈবাক অসি মালেমগী ওইবা স্পিরিচুয়েল দেষ্টিনেসন অমা ওইরি ঃ *নরেন্দ্র মোদি*



***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৬ ঃ***
ইন্দিয়াদা অমনা অমবু ইকায় খূম্নবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ধর্ম অমসুং কাঙলূপ জাৎ কয়ানা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নরি। লৈবাক অসিগী চহী চা অসিগী ওইনা মালেমগী স্পিরিচুয়েল দেষ্টিনেসন অমা ওইরে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

পোন্দু চেরিদগী কিলোমিটর ৬ লোম চৎলগা লৈবা ঔরোভিলিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা ধর্মশিং লৈবাক অসিদগী হৌখিবনি। মখোয়বু পূক্লীং ৱাখলগী ওইবা লম্বী অমদা চৎননবা ইথিন কয়া পীরি।

ইন্টর্নেসনেল টাউন সিফ ঔরোভিলিগী গোল্ডন জুবিলিগী থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মখা তানা হায়, স্পিরিচুয়েল লুচিংবা ঔরোবিন্দোনা মহাক্কী মমাগী মিংদা আশ্রম অমা লিংখৎলমখি। হৌজিক্কা ঔরোভিলি হায়না খঙনরবা মফম অদু মালেমগী ওইনা মীওইবা খুন্নাইগী অপূনবা শক্তম শাগৎপা অমসুং মীয়ামশিংগী পোত্থাফম ওইরে। ফিভম অসি য়েংলগা হায়বা ঙম্লি মদুদি – ইন্দিয়া মালেমগী স্পিরিচুয়েল দেষ্টিনেসন অমনি।

মালেমগী ওইনা ধর্মদা মমিং লৈরবা মীওই কয়া লৈবাক অসিদা পোকখি। মখোয়না মীয়াম্বু স্পিরিচুয়েল ওইবা লম্বী অমদা চৎননবা পাওতাক কয়া পীরি। ঔরোবিন্দোনা পীখিবা অমদি মীয়ামদা শন্দোকখিবা ৱাফমশিং অদু ঙসিসু মশীং য়ান্নবা মীয়ামদা ইথিন পীরি। মদুনা মরম ওইরগা ঔরোভেলি শীংথানিঙাই ওইরবা মফম অমা ওইরি।

হৌখিবা দিগেদ ৫ দগী ওইনা ঔরোভিলি সোসিয়েল কলচর, ইদুকেসন, ইকোনোমিক অমসুং স্পিরিচুয়েল ইনোভেসনগী মফম অমা ওইরে। নুপী, নুপা অঙাং অমসুং অহলনা ঙমখৈ অমসুং কাঙলূপ অমগী খেন্নবা লৈতনা দিভাইন মাদরনা পাউতাক কয়া পীরি।

ঙল্লিঙৈ মতমদগী ইন্দিয়াগী ধর্মগী ওইবা পাউশিংনা মালেম অসি অমত্তনি মীপুম খুদিংমক ইমুং অমগী মীওইশিংনি হায়বগী পাউতাক পীদুনা লাক্লি। ঔরোবেল্লি ১৯৬৮ তা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১২৪ গী দেলিগেট কয়ানা শরুক য়াদুনা হৌদোকখিবনি। ঙসিদি মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৪৯ দগী মীওই ২৪০০ না মফম অদুদা ধর্মগী ওইবা পাউতাক কয়া তল্লি হায়খি।

## শ্রীদেবী বাথতফতা ইরাক্লদুনা শিখিবনি



***মুম্বাই, ফেব্রুৱারী ২৬ ঃ***
দুবাইদা লূহোংবগী থৌরম অমা য়াওননবা চৎখিবী লৈখিদ্রবী শ্রীদেবীগী হকচাং ঙসি দুবাইদা পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে। পোষ্ট মোর্টেম তৌখিবগী রিপোর্ট ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নখ্রে হায়বা গল্ফ ন্যুজনা রিপোর্ট তৌরকখ্রে।

থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা দুবাইগী হোটেল অমদা লৈখিদ্রবী বোলিৱুদতগী রাজনিটিগী লমদা খোঙদারকখ্রবী শক্লাইরবী অদু শোয়বদগী বাথতফতা ইরাক্লদুনা শিখিবনি। লৈখিদ্রবী শ্রীদেবীগী অরোয়বা মথৌ মঙম ঙসি মুম্বাইদা পাঙথোক্লবা য়াই হায়রি।

ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবদা মহাক্কী হকচাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইন্দিয়াদা পুরক্লবা হোৎনখি। দেথ সার্টিফিকেট অমসুং ফোরেনসিক রিপোর্ট ইশু তৌরকখ্রে। চহী ৫৪ শুরবী শ্রীদেবীগী হকচাং অদু মেদিকেল টিম অমনা লায়কন্নখি। অদুম ওইনমক হিংগৎহনবদি ঙমখিদে।

মহাকপু হোস্পিটালদা লায়কন্ননবা পুরকপা মতমদদি শিনা পুরক্লে লাওথোরকখি হায়না য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটতা লৈবা ইন্দিয়া এম্বেসেদর নভদিব সুরিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

## কমখ্যা হিলসত নুপী ইজৎ মাঙহনবা বাবা ফারে

***গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারী ২৬ ঃ***
অসামগী কমখ্যা যোগ আশ্রম হায়না খঙনবা মীয়াম্মা শীংথানরিবা মফম অমদা লৈবা বাবা অমনা নপী অমা ইজৎ মাঙহনখি হায়বগী কেসকা মরী লৈননা শাশিন্নবা বাবা ফারে। ফারবা শাশিন্নবা বাবা অদু শঙ্কর চেটন কৌই হায়রি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না খুদোংথিবা নংখ্রবী নুপী অদু বাবা অদুনা আশ্রম অদুদা লায়েংদুনা লৈরকখিবনি। বাবা চেটনগী মথক্তঃা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা ইজৎ মাঙহনবগী মরালদা ফাগৎলে হায়রি।

বাবা অদুনা লাইশঙ অদুগী মনুংদা অতোপ্পা নুপী অমসু হৌখিবা মতমদা ইজৎ মাঙহনখি হায়বগী পাউ লৈরিবনি। গুৱাহাটিগী মশক নাইরবা কমখ্যা যোগ আশ্রমদা থোকখিবা থৌদোক অদু ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মীয়ামদা অকি-তুজুংবা ফাওহল্লে হায়রি। ঙসি অশাবা বাবা অদু নুপী ইজৎ মাঙহনবগী মরালদা পুলিসনা ফাগৎখ্রে হায়রি।

## উত্তর প্রদেশতা মীওই তরুক ট্রেন্না তকখাইখ্রে

***হাপুর, ফেব্রুৱারী ২৬ ঃ***
উত্তর প্রদেশকী পিলখৱাগী মনুং চনবা সাদিবপুরাদা রেলৱে ট্রেক্তা চত্তুনা লৈবা মীওই ৬ য়াংদুনা থৌদুনা লাকপা ট্রেন অমনা তকখাইখি অদুগা মীওই অমনা অরুবা ফিভমদা শোকহনখ্রে।

চহী ১৪ দগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহাশিং অদু থবক শুবা অমসুং রং শংবগী থবক তৌবা মীওইশিংনি। মখোয় মরুপ মপাং ওইনা থবক তৌমিন্নবশিংনি। হায়দ্রবাদতা রং শংবগী থবক অমা তৌননবগীদমক মখোয় গাজিয়াবাদতগী ট্রেন তোংদুনা চৎননবা হোৎনবনি। অদুম ওইনমক মখোয় ট্রেন নংহৌদবনা মরম ওইরগা নুমিদাং অদুদা ময়ূম লমদম তমনা মখোঙনা হল্লকখিবনি। ট্রেন্না থোমগাইবা অদুদা মীওই তরুক মফম অদুমক্তদা শিখি অদুগা অমনা অরুবা ফিভমদা শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে।

নহা ওইরিবা মীওইশিং অদুনা এয়ারফোন শীজিন্নদুনা ঈশৈ তাদুনা রেলৱে ট্রেক অদুদা লাকপদা রেল লাকপগী মখোল তাবা ঙমদবনা মরম ওইরগা খুদোংথিবা থৌদোক অদু নংখিবনি হায়রি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি বিজয়, অকাস, রাহুল, সামির, আরিফ অমসুং সালিমনি হায়বা খঙবা ঙম্লে। অদুগা শোক্লবা অমসুং আই সি য়ু দা লায়কন্নরিবা মীওই অদুদি মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতূং লমদম অদুগী মীয়াম্মা রেল লম্বী থিংজিন্দুনা খোঙজং চঙশিনখি। লমদম অদুদা মৈ নীংথিনা থান্দবনা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে। মীওই কয়ানা অশম্বা লম্বী থিদুনা রেলৱে ট্রেক লান্না চৎনরি। খুঙ্গং অদুগী রেলৱে ক্রোসিংদা ট্রেন য়ৌশিল্লক্লে হায়বগী ৱার্নিং অমত্তা পীদে। মহৈ তন্নিবা অঙাং কয়া নুমিৎ খুদিংগী রেলৱে ট্রেক লান্না চৎলিবনি হায়রি।

ইরাং থোক্লিবা মফম অদুদা য়াল্লবা পুলিস পার্সোনেলশিং থাজিনখ্রে। এস পি হেমন্ট কুটিয়াল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট মার্জিষ্ট্রেট কৃষ্ণ কারুনেস ইরাং থোক্লিবা মফম অদুদা চঙশিনখ্রে হায়রি।

## বিহারগী থিবা খঙদনা লৈরিবা বি জে পি গী লুচিংবা অমগী মথক্তা মহৈরোয় মাপন শিখিবগী মরাল শিখ্রে



*পুলিসনা অঙাং ৯ লৈখিদবগী মতাংদা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওইশিংগা উন্নবা*

***পটনা, ফেব্রুৱারী ২৬ ঃ***
বিহারগী মুজাফরপুর দিষ্ট্রিক্টতা স্কুল তন্নিবা মহৈরোয় ৯ শিখিবগী মতাংদা হৌজিক হৌজিক থিবা খঙদনা লৈরিবা বি জে পি গী লুচিংবা মনোজ বাইথাগী মথক্ত এফ আই আর অমা লৌখৎখ্রে হায়না পুলিসনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

লৈখিদ্রবা মহৈরোয়শিং অদুগী মমা মপানা মীওই অদু ফাননবা তকশিল্লক্লি। ধরমপুর খুঙ্গংদা লৈবা মোহ অমসারি কৌবা মীওই অমনা থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎ অমগী মতূং ইন্না পুলিসনা ঙসি বি জে পি লুচিংবা অদুগী মথক্তা এফ আই আর অমা লৌখৎখিবনি হায়না মিনাপুর পুলিসকী ষ্টেসন হাউস ওফিসার সোনা প্রসাদ সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

সোনা প্রসাদ সিংহনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা সিটামারি দিষ্ট্রিক্টতগী লাকখিবা বি জে পিগী লুচিংবা অদুগী যূমদা থি হুম্বগী থবক চত্থখ্রে। অদুম ওইনমক মহাক যূম অদুদা লৈরমখিদে। খুঞ্জা কয়ানা নেসনেল হায়ৱে থিংজিন্দুনা মীওই অদু ফাননবা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লি।

মোহ অনসারি কৌবা মীওই অমনা পুলিসতা ফোঙদোকখিবদা বাইথা কৌবা বি জে পি গী লুচিংবা অদুনা গারী য়াংনা থৌরকপগা লোয়ননা থাংজ নুমিত্তা অঙাং কয়া থোমগাইখি। অঙৌবা কুর্টা পাইজমা শেৎপা লুচিংবা অদু অঙাং কয়া শিহল্লন্নবা মতূং মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখি। মফম অদুদা লৈবা সি সি টি ভি ফুটেসশিং য়েংবদা বি জে পি গী লুচিংবা অদুনা গারী অদু থৌরকখিবনি। খুদোংথিবা থৌদোক অদু নেসনেল হায়ৱে ৭৭ গী ধরমপুর স্কুল মনাক্তা থোকখিবনি। লুচিংবা অদুনা থৌরকপা বোলেরো গারী অমনা লম্বী লান্থোরকপা অঙাংশিং অদু থোমগাইখিবনি। অঙাং কয়া শিখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা খোয়শাওনরবা লমদম অদুগী মীয়াম্মা স্কুল অদুগী ওজাশিং ফুখি লোয়ননা স্কুল অদুগী চৌক্রি অমসুং ফান কয়া মৈ থাদোকখি।

মুজাফরপুরগী এস পি বিবেক কুমারনা হায়, শোক্লবা অঙাংশিং অদু মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্ননবা হোৎনখি। লৈখিদ্রবা অঙাংশিং অদুগী ইমুং মনুংদা এক্স গ্রেসিয়ার ওইনা লুপা লাক্ষ ৪।৪ পীরগনি হায়না লাওথোকখ্রে। চৈরকসিদা ওপোজিসন পার্টি ওইরিবা রাজত্রিয়া জনতা দলনা মরাল লৈবা মীওইশিংগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়না তকশিনখ্রে।

ওপোজিসন লুচিংবা টেজাশ্রী য়াদবনা অশোক-অপন নংখ্রবা অঙাংশিং অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা উন্নখিবগা লোয়ননা মী হাৎপা বোলেরো অদু বি জে পি গী লুচিংবা অমগীনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মরাল লৈরবা মীওই অদু ফাবা লৈত্রি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

## আধারগী মতেঙগা লোয়ননা শাশিন্নবা রেসন কার্দ ক্রোর ৩ ককথৎপা ঙম্লে

***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৬ ঃ***
নেসনেল দিমোক্রেটক এলায়েন্স (এন দি এ) না লৈঙাক পায়রকপা চহী ৩ গী মতম অসিদা অশাবা রেসন কার্দ ক্রোর ৩ রোম ককথৎপা ঙমখ্রে হায়না কঞ্জুমর এফিয়ার্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর (ষ্টেট) সি আর চৌধুরিনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈঙাক্লা পায়খৎলকখিবা থৌশিল অদুনা চহী অমদা লুপা ক্রোর ১৭,০০০ কনবা ঙমখ্রে। রেসন কার্দশিং অদু লৈঙাক্লা চৎনহনখিবা আধার নম্বরগা শম্নহনখিবনা মরম ওইরগা লৈঙাক্লা লম অদুদা লৈরম্বা অমোৎপশিং শেংদোকপা ঙম্লে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা চাদা ৮২ গী চাংদা রেসন কার্দশিং আধারগা শম্নহনখ্রে।

হৌখিবা চহী ৩ অসিদা শাশিন্নবা রেসন কার্দ ২.৯৫ রোম লৌথোকখ্রে। মদুনা লৈবাক অসিনা রেসন কার্দকী খূত্থাংদা মীয়ামগীদমক ফংফম থোকপা পোৎলমশিং পীবদা লান্না চৎলম্বা



শেলফম ক্রোর ১৭,০০০ কনবা ঙমখ্রে।

লৈঙাক্লা পীরিবা চান-থক্নবা পোৎলমশিং অদু অচুম্বা অমসুং তঙাই ফদবা মীওইশিংদা য়ৌহনবা ঙম্লগনি। চৌধুরিনা হায়, ই গভর্ণেন্সনা লৈবাক অসিদা ললোন ঈতিক তৌবগী চাং হেনগৎহনবা ঙম্লগনি। লোয়ননা মপান লৈবাক্তগী শেল থাদরকপদসু মতেঙ ওইরগনি।

২১ শুবা নেসনেল কনফরেন্স হোল ই গভর্ণেন্সকী থৌরমদা টেলঙ্গনাগী মিনিষ্টর কে টি রমারাওনা হায়, নুমিৎ খুদিংগী ওইনা লুপা লাক্ষ ১.৫ ট্রানসেক্সন তৌরি। লৈঙাক্লা প্রোজেক্ট অমসুং লম ১৮০ কোনশিন্দুনা হেন্না ফগৎহন্নবা থৌশিল পায়খৎলি হায়খি।

## দি আর কোঙ্গোগী লুচিংবা কাবিলাগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকপশিংদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই অনী শিরে



***কিনসাসা, ফেব্রুৱারী ২৬ ঃ***
দিমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী কোনুং কিনসাসাদা লৈবাক অদুগী লুচিংবা প্রসিদেন্ট কবিলাগী মায়োক্তঃা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীওইশিংগী মথক্তা সেক্যুরিটি ফোর্সনা নোংমৈ কাপ্পদা য়ামদ্রবদা মীওই অনী শিখ্রে।

লৈবাক অদুগী কোনুং কিনসাসাদা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অদু কেথোলিক ক্লারিকশিংনা শিন-লাংদুনা চঙশিল্লকখিবনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা সেক্যুরিটি ফোর্সনা হৌজিক খোঙজং চঙশিল্লকপা মীওই ১৫ ফাজিনখ্রে।

দি আর কোঙ্গোদা লৈঙাক পায়রিবা প্রসিদেন্ট কাবিলাগী মতম ইং ২০১৬ তা লোয়খ্রে। অদুম ওইনমক মহাক্লা ঙসি ফাওবা লৈঙাক অদুগী পুক্লি পায়দুনা লৈরি। মদুনা মরম ওইরগা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমা ওইহল্লকখি।

চর্চকী লুচিংবা কয়ানা কবিলা ফম থাদোক্লবা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লি। খৃষ্টেন লাইনিং চৎপা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ কয়াদা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎকী চর্চকী থৌরম লোয়রবা মতূং লম্বীদা থোক্লক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকখি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক অঙনবদগী হৌনা সেক্যুরিটি ফোর্সনা কিনসাসাদা লৈবা চর্চ কয়া কোয়শিন্দুনা থমখি লোয়ননা খোঙজং চঙশিল্লকপা মীওইশিংগী মথক্তা টিয়ার গ্যাস অমসুং নোংমৈ কয়া কাপ্তুনা তানখাইনবা হোৎনখি।

সেন জোসেপ হোস্পিটালগী ষ্টাফ অমনা বি বি সি ন্যুজতা ফোঙদোরকখিবদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা কাপ্লকপা নোংমৈ মরুনা পান্দুনা মীওই অমা শিখ্রে। লৈবাক অদুগী কোনুংদগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ৫৮৬ রোম চৎলগা লৈবা মবানদাকা সহরদা খোঙজং চঙশিনবা মীওই অমসু শিখ্রে হায়না য়ু এন গী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না সেক্যুরিটি ফোর্সনা খোঙজং চঙশিনবা মীওইশিং লাকশিন্নবা হোৎনবদা টিয়ার গ্যাস অমসুং মীচমশিংদা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই কয়া অশোক-অপন নংখ্রে।

ইং ২০০১ দা কবিলাগী অপোকপা লোরেন্ট হাৎলম্নবা মতূং কবিলানা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুবা হৌরকখিবনি। লুচিংবা অদুনা ফম পায়বগী মতম ইং ২০১৬ তা লোয়খ্রে। অদুম ওইনমক লুচিংবা অদুনা মীখল পাঙথোকপগী মতম লেপ্পু হায়বা য়াদবগা লোয়ননা ফম পায়দুনা লাক্লি। ফিভম অদুদা ওপোজিসন অমসুং লৈবাক অদুগী চর্চকী লুচিংবা কয়ানা য়ানিংদবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি হায়রি।

## লিসেষ্টরদা বোম পোকখাইবদা মীওই মরি শিরে

***লিসেষ্টর, ফেব্রুৱারী ২৬ ঃ***
কেনিয়াগী লিসেষ্টরদা বোম পোকখাইবদা য়ামদ্রবদা মীওই মরি শিখ্রে। গ্রিনহুইসগী পুং ১৯.০০ রোম তাবদা হিঙ্কলি রোদতা য়ুহার হাবগী থৌদোক অমগুম চাওনা পোকখাইবগী মখোল মীয়াম্না তাখি।



নোংমাইজিং নুমিত্তা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মীওই মরি শিখ্রে হায়বা কনফার্ম তৌরে। অদুগা মীওই অমনা অরুবা ফিভমদা শোকখ্রে হায়রি।

লিসেষ্টর পুলিসকী মকোক সপ্ট সেন ও নেল না ফোঙদোরকখিবদা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা শিখিবা মীগী মশীং হেনগৎলকপা য়াই। বোম পোকখাইবনা মরম ওইরগা নীংখাইখ্রবা মথোল অনী ৱাংবা দলান অদুগী অতেক-অকায় মরক্তা মী থিবগী থবক চত্থরি।

মীৎনা উহৌবশিংনা ফোঙদোরকখিবদা মফম অদু পোলিস সুপর মার্কেট ওইনা শেমগৎলকপনি। নীংখাইখ্রবা যূম অদুসু দুকাল ওইবনি হায়রি।

লিসেষ্টর ফাইয়ার অমসুং রেসক্যু সার্ভিসকী গ্রুপ মেনেজর মট কেননা ফোঙদোরকখিবদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা অশিবা হকচাং মরি ফংলে অদুগা ফিভম লুনা শোক্লবা মীওই অমসু থেংনরে। অতেক-অকায় মরক্তা মী থিবগী থবক চত্থরি।

মথোল অনী ৱাংবা দলান অদু মপুঙ ফানা নীংখাইখ্রে। নীংখাইখ্রবা যূম অদুগী অতেক-অকায় মরক্তা অহিংবা মী লৈরমখিবা য়াই হায়বগী থাজবা থল্লি। পুলিসকী মকোক ও নেলগী মতূং ইন্না ওইরিবা ফিভম অদু চপ চানা হায়বা ঙমদে। করম তৌনা পোকখাইবগী থৌদোক অদু থোকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। পুলিস অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সনা থিগৎপগী থবক চত্থরি অমসুং পুলিসনা মফম অদুদা মী কনবগী থবক চত্থবা অদুনা হেন্না লূপ্পা লৌরি হায়রি।

## এন পি এফ না এন দি পি পি-বি জে পি গী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা তকশিনখ্রে

***কোহিমা, ফেব্রুৱারী ২৬ ঃ***
এন দি পি পি – বি জে পি না মীখলগী মাঙওইননা ইলেক্সন মোদেন কোট ওফ কন্দক থুগাইরে। চুঙশিন্নবা কাঙবু অদুগী মথক্তা চপ চাবা থবক লৌখৎনবা নাগা পিপলস ফ্রন্দ (এন পি এফ) না ৱাকৎখ্রে।

এন পি এফ না ঙসি ইলেক্সন কম্মিসন্দা ফোঙদোকখিবদা নেস্নেলিষ্ট দিমোক্রেটিক প্রোগেসিব পার্টি অমসুং ভারতিয়া জনতা পার্টিনা মোদেন কোট ওফ কন্দক থুগাইরে। ফেব্রুৱারী ২৬ তা চুঙশিন্নবা কাঙবু অদুনা লোকেন দেল্লি ন্যুজ পেপরগী ফুল পেজতা এদভর্টাইজ তৌরে মদু ইলেক্সন মোদেন কোট ওফ কন্দক থুগাইবনি হায়না এন পি এফকী এসোসিয়েট প্রেস সেক্রেটরী অতৌ লৈজিটসুনা ৱাকৎখ্রে। ৱাকৎ অদুদা এন পি এফ না হায়, ইলেক্সন কম্মিসনগী চৎন-কাঙলোনগী মতূং ইন্না কোট ওফ কন্দক চৎনরিঙৈ মনুংদা শেল-থুমগী ৱাফম লাওথোকপা, লম্বী থোং শেমগৎপগী ৱাফম ফোঙদোকপা য়াদে মদুনা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা মফম অদুগী ভোটরশিংদা ঈথিন পীবনি হায়না লৌগনি হায়বগী ৱাফমসু লৈরিবনি। অদুম ওইনমক চুঙশিন্নরিবা কাঙবু অদুনা মীখল নোংমতা ঙাইরবা মতমদা লমদম অদুদা ফোঙবা পাউ- চেশিংগী অহানবা লমায়দা ফুল পেজগী ওইবা এদভর্টাইজমেন্ট হাপ্লে হায়না মরাল শিরি।

ফিভম অদুদা ইলেক্সন কম্মিসন্না চপ চাবা থবক লৌখৎকদবনি। মখোয়গী মথক্তা শেঙ্গা-থুমজাগী ওইবা অমসুং অরানবা থবক তৌবগী মরালগা লোয়ননা আইনগী ওইবা থবক পায়খৎকদবনি হায়রি।

**সনা-সুদোকু –১০৯৫ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 7 | 6 | 3 | 9 | 5 | 8 | 4 | 1 |
| 1 | 3 | 4 | 8 | 2 | 6 | 5 | 9 | 7 |
| 9 | 8 | 5 | 4 | 1 | 7 | 3 | 2 | 6 |
| 3 | 9 | 2 | 5 | 4 | 1 | 6 | 7 | 8 |
| 5 | 4 | 8 | 6 | 7 | 2 | 9 | 1 | 3 |
| 6 | 1 | 7 | 9 | 3 | 8 | 4 | 5 | 2 |
| 4 | 5 | 1 | 7 | 8 | 3 | 2 | 6 | 9 |
| 8 | 2 | 9 | 1 | 6 | 4 | 7 | 3 | 5 |
| 7 | 6 | 3 | 2 | 5 | 9 | 1 | 8 | 4 |

## GAS TODAY

**Lambodara Indane Service**
Booking : 02/02/18
Valid : 31/01/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Manipur Gas**
Booking : 05/01/18
Valid : 03/01/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**M M Gas**
Booking : 17/01/18
Valid : 15/01/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m
Rate : Rs. 842.50/-

**Athokpam Indane**
Booking : 07/01/18
Valid : 29/12/17
Stk : 612 CTC
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 23/12/17
Valid : 19/12/17
Stk : 307
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Canchi Indane Service**
Booking : 11/01/18
Valid : 05/01/18
Stk : 612/19kg 120
Rate : Rs. 842.50/-
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**K & K Indane Service**
Booking : 19/01/18
Valid : 12/01/18
Stk : 612/19kg Available
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 06/01/18
Valid : 16/12/17
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Imphal LPG Service**
Booking : 27/01/18
Sl. No. upto 47570
Valid : 20/11/17
Stk : 306
Delivery Heinoupok Godown

**Tanglei Gas Oinam**
Booking : 22/02/18
Valid : 17/02/18
Stk : 306/19kg Available
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 06/01/18
Valid : 22/12/17
Sl. No. 49304
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.00 a.m

**Haran Valley Gas, Kwakta**
Booking : 12/02/18
Valid : 02/02/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 03/01/18
Sl. No. 4020
Valid : 02/01/18
Sl. No. 3431
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking : 17/01/18
Valid : 10/01/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1096**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 6 | 7 | | | 3 | | 5 | |
| 1 | | | | | 7 | | | |
| | | 3 | | | | 4 | | |
| 2 | | | | 9 | | | | |
| 3 | 5 | | | | 2 | | | 1 |
| | 7 | | 8 | 4 | | | 3 | |
| | 4 | 9 | | | | | | |
| | 8 | | | | | | | 4 |
| | | 1 | | | 4 | | 2 | 7 |